হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ২৮, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৭৯ শুবা মশীং

# আইজি নোবেল প্রাইজ ২০১৬ # ১

# খূৎ য়েত্তা হাক্কচরগা ওয়দা খোত্তুনা ফহনবা



মেদিসিন্দা আইজি নোবেল প্রাইজ ২০১৬ ফংখ্রবা সাইন্টিষ্টশিং (ওয়দগী) : খৃষ্টোপ হেল্মচেন, এন্দ্রিজ স্প্রেংগর, সিল্কি এন্দর্স, কেরিনা পালজর, টোমাস মুন্তে

## সাইন্সকী খোঙচৎ

### কুঞ্জো নাওরেম

**হেক** তাবগা মীয়াম্বু নোকহনবা অদুবু ঙৈহাক লৈরগদি খন্থহনবা ঙন্বগী মগুন চেনবা থিজিনবগী থবকশিংগীদমক পীবনি আইজি নোবেল প্রাইজসি। আইজি (Ig) হায়বসি Ignoble হায়বা ৱাহৈসিদগী লৌরকপনি। ইগনোবেল প্রাইজসি (মনাসি লান্থোকপগী থৌরমদা ignoble হায়বসি ইগনোবেল হায়বা খোন্থোক্তুনা লাউথোকই) 'এনালস ওফ ইস্প্রোব্বেল রিছার্চ' কৌবা চেফোঙসিগী কো-ফাউন্দর অমদি এদিটর মার্ক অব্রাহমগী লমজিং মখাদা কুমজা ১৯৯১ দগী পীবা হৌরকখি। মনাসি চহী খুদিংগী হীরম ১০ দা পী। হন্দক চহীগী ওইনা ১) ফিজিক্স ২) কেমিষ্ট্রি ৩) মেদিসিন ৪) সাহিত্য ৫) শান্তি ৬) ইকোনোমিক্স ৭) রিপ্রদক্সন ৮) বাইওলোজি ৯) পরসেপ্সন অমসুং ১০) সাইকোলোজিদা পীখি। ২৬ শুবা আইজি নোবেল প্রাইজ ২০১৬ সি হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২ গী নুংদাংৱাইরম পুং তরুক তাবদা হরভর্দ য়ুনিভর্সিটিগী সেন্দর্স থিএটরদা পীখ্রে। মনাসি লান্থোকপগী থৌরমশিংসি আইজি নোবেল প্রাইজ অমদি নোবেল প্রাইজ (অলফ্রেদ নোবেলনা হৌদোক্লক্স্বা) ফংখ্রবা সাইন্টিষ্টশিং য়াওনা পাঙথোকই। নোবেল প্রাইজ অমসুং আইজি নোবেল প্রাইজ অনীমক ফংবা সাইন্টিষ্টশিংগী মনুংদা এন্দ্রি গৈমনা অহানবনি। মহাক্না ঈশিংদা য়াওবা য়োৎচাবিগী মগুন শীজিন্নদুনা পুখম অমদা থম্বা অপিকপা হঙোই অমবু য়োৎচাবিনা উংহনবা ঙম্বগীদমক কুমজা ২০০০ দা ফিজিক্সকী আইজি নোবেল প্রাইজ ফংখি। গ্রাফিন পুথোকপদা লৌখিবা থৌদাংগীদমক মঙোন্দা কুমজা ২০১০ ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ পীখি।

১) মেদিসিনি : **খূৎ য়েত্তা হাক্কচরগা ওয়দা খোত্তুনা ফহনবা**

তাবগা হেক্তা নোক্লিংবা অদুবু চুমদি চুম্বা কয়ামুক লৈরি। মখোয়গী মরক্তগী পনবা য়াবা অমদি হকচাংগী য়েৎথংবা শরুক্তা হাক্কচবা মতমদা মিংশেলদা তারিবা মমিদা য়েংলগা ওয়থংবা শরুক্তা (য়েৎকী হাক্কচরিবা মপাগা চান্ননা) খোৎপা মতমদা হাক্কচবা ফবা ঙম্মী হায়বসিনি। মসি জর্মনিগী য়ুনিভর্সিটি ওফ লুবেককী থিজিল্লোয়শিংনা পাঙথোকখিবা চাংয়েং কয়াদগী খঙবা ঙমখিবনি। মসিগীদমক থিজিনবসিদা শরুক য়াখিবা খৃষ্টোপ হেল্মচেন, করিনা পালজর, টোমাস মুন্তে, সিল্কি এন্দর্স অমদি এন্দ্রিজ স্প্রেংগরবু মেদিসিন্দা আইজি নোবেল প্রাইজসি খূৎশিন্নখ্রে।

হাক্কচবা হায়বসি খোৎলগা নুংঙাইবা অমদি খরা হেক হাক্কচবা ফবা থৌওং অমনি। মসি ইগজিমাগুম্বা উনশাগী অনাবশিং অমদি এলরজি তৌবদগী থোকপসু য়াই। হাক্কচবা অয়াম্বদি খোৎপদা ফখি। অদুবু খরদি খোৎপদা হাক্কচবা ফরক্তবদগী হন্না হন্না খোৎপদা ঈ থোরক্তুনা ইনফেক্সন তৌরকপা য়াবগী খুদোংথিবসি লৈরিবনি। লোয়নননা নাবা ফাওরকপসু য়াই। হাক্কচবা মখল খরদা, মীওই খরদদি হীদাক থাবদা হাক্কচবা ফত্তবসু য়াওই। অদুনা অতোপ্পা উপাই অমা থিরকপগী মথৌ তারকই হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোকখি (প্লোস ৱান : দিসেম্বর ২৬, ২০১৩)। হিষ্টামিন হায়বসি নাইট্রোজেন য়াওবা ওর্গানিক কম্পাউন্দ অমনি। মসিনা ঐখোয়গী ইম্মুন সিষ্টেমদা অয়েৎপা পীদুনা হাক্কচবগুম্বা হৈনদবা থৌওং কয়া থোকহল্লি। অসিগুম্বা হাক্কচবসি হীদাক থাদনা ফহনবগী কাঙলোন অমনি লুবেক্কী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবসি।

খৃষ্টোপ হেল্মচেন্না লুচিংখিবা থিজিনবসিদা, মশা-মউ ফরিবা মীওই ২৬ পু চাংয়েংগীদমক খনগৎখি। মখোয়গী য়েৎ থংবা খুদাংগী উনশাদা অতম্ননা হাক্কচবা পোকহন্নবা ১% কন্সেন্ট্রেসন ওইবা হিষ্টামিন-দাইহায়দ্রোক্লোরাইদ মিলিলিটর ০.০৩ কাপশিল্লম্মী। হিষ্টামিনসিনা মরম







S+ = অশেংবা হাক্কচবা মফমদা খোৎপা
S- = হাক্কচদবা মফমদা খোৎপা
V+ = হাক্কচবা মফমদা খোৎপা ওইনা উহনবা
V- = হাক্কচদবা মফমদা খোৎপা ওইনা উহনবা

ওইদুনা কাপশিনখ্রিবা মফমশিংদুদা সেন্টিমিটর ১.৫ কী দাইএমিটর ওইবা অঙাংবা দাগ লৈরকখি অদুগা সেকেন্দ ২৫ গী মতুংদা হাক্কচবা হৌরকখি। মিনিট অমমুক ফারকপদদি হাক্কচবগী চাং য়াম্না ৱাংলকখি। অসুম্না মিনিট ৫ রোম য়াম্না হাক্কচরল্লগা হাক্কচবগী চাং হন্থরকখি। মিনিট ১২ গী মতুংদদি হাক্কচবা পোক্ত্রে। মতাংসিদা পলহৌদবা য়াদবা অমদি ঐখোয়না নুংতিগী শীজিন্নরিবা শকয়েং মিংশেলদা তারিবা মমিসি লেটরেলি ইনভর্টেদ ওই হায়বদি ঐখোয়গী খূৎ য়েৎসি খূৎ ওয় ওইনা উই। অদুনা থিজিল্লোয়শিংনা মীওই ২৬ তুগী মখূৎ য়েৎশিংদা লৈরিবা দাগতুগা মান্নবা অদুগা মিংশেলদা য়েংবদা মীওইদুগী হাক্কচরিবা মফমদু ওইনা উহনবা ঙম্নবা অঙাংবা দাক অমমম খূৎ ওয়গী খুদাংশিংদা য়েক্লম্মী। হৌজিক মিংশেলদা য়েংবা মতমদা খূৎ ওয়গী দাগতু খূৎ য়েৎকী দাগ ওইনা উরগনি।

অহানবা চাংয়েংদা থিজিল্লোয়শিংনা মিংশেল শীজিন্নহনখিদে। মসিদা মী খুদিংমক্তা অশেংবা হাক্কচবা মফম হায়বদি য়েৎথংবা খুদাংগী দাগ লৈরিবা মফমদুদা খোৎহল্লম্মী। অসুম্না খোৎপসিনা নুংঙাইবা পীরম্মী। মসিগী তুংদা অমুক হাক্কচদবা মফম হায়বদি খূৎ ওয়গী খুদাংদা লৈরিবা অয়েকপা দাগতুদা খোৎহল্লম্মী। মতমসিদদি নুংঙাইবা পীরমদে। অনীশুবা চাংয়েংদনা থিজিল্লোয়শিংনা য়াম্না চাওবা শকয়েং মিংশেল অমা চপ য়ুংনা খিন্দুনা থল্লম্মী। অশেংবা হাক্কচরিবা মফম অদুদি মিংশেলদা মমি তাহল্লমদে অদুবু অয়েকপা খূৎ ওয়গী দাগতুগী মমিদি মিংশেলদা তাহন্দুনা খূৎ য়েৎ ওইনা উহল্লম্মী। মীদুনা মিংশেলদা তারিবা মমিখক্তদা য়েংহল্লম্মী। হৌজিক থিজিল্লোয় অমনা মীদুগী মখূৎ য়েৎকী দাগতুদা খোৎলম্মী। খোৎপসিনা নুংঙাইবা পীবগী চাংসি অশেংবা মফমদা খোৎপদা পীরিবা নুংঙাইবগী শরুক মরি থোকপগী অমখক্তমক হায়বদি ২৫% খক্তমক ওইরম্মী। অসিগুম্বা মওংগী ইফেক্টসি Transient illusionary intersensory perceptual congruency of visual, tactile and pruriceptive signals না থোকহনবা ওইরমগনি হায়রি। লায়েং পথাপসিনা ক্রোনিক ওইরবা হাক্কচবশিং লায়েংবদা মতেং পাঙলগনি হায়না লিভরপল জোহন মুরস য়ুনিভর্সিটিগী ফ্রান্সিস মেকগ্লোননা ফোঙদোক্লি।

# দিসক্কালিফিকেসনগী কেস

## *মীচং-মীখায় নাইদবা ৱায়েলনি লৌবা তাবনি*

কুমজা ২০১৪ দা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকরদা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস তরারোম লাকখি। দিসক্কালিফিকেসন কেসশিং অদুগী মনুংদা অনীখক্তি স্পিকরনা য়াম্না থৱায় য়াওনা হিয়ারিং চথবগা লোয়নননা মদুগী ৱায়েলসু থুনা য়াঙনা লাউথোকখি। স্পিকরগী জজমেন্ট অদুনা থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণ অমসুং থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থোঙাম বিশ্বাজিৎ দিসক্কালিফায় তৌখি। মখোয় অনীদা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা পীরকপা জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা কোর্টতা চৎখিদে। মদুগী মহুত্তা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী মেন্দেট লৌগনি হায়না লাউথোকখি অমসুং মীখল অদুদা মায় পাক্তুনা হৌজিক হৌজিক বি জে পিগী এম এল এশিং ওইদুনা লৈরি। মখোয় অনীনা এম এল এ ওইরকপা চহী ১ হৌখ্রবা মতুংদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী তরামাথোইশুবা মীখলগী মতমসু অসুম-অসুম নকশিল্লকপদগী হাউসকী মেম্বরশিংগী মরক্তা মখোয় মখোয়গী পার্টি থাদোক্তুনা অতোপ্পা পার্টিদা চঙখিবা কয়ামরুম য়াওরকখি। ৱাঙ্খে এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম এল এ য়ুমখাম ইরাবত কোংগ্রেসতগীসু, এম এল এগী ফমদগীসু রিজাইন তৌরবা মতুংদা বি জে পিদা য়াওখি। মদুগী মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস মায়োক্লরকখিবা ত্রিনামূল কোংগ্রেসকী এম এল এ, টি ঐচ শ্যামকুমার, ও লুখোই, ডা. আই ইবোহলবী অমসুং কে শরত মখোয়গী ওরিজিনেল পার্টি থাদোল্লগা ইন্দিয়ন নেসনেল কোংগ্রেসতা য়াওখি। মখোয় মরি কোংগ্রেসতা য়াওখিবগী চেরোল মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পীশিনখিদে। মসিগীসু মথক্তা মখোয় এম এল এগী ফম থাদোকচরগে হায়বগী চেরোলসু পীশিনখিদে। অদুমকপু মখোয় মরি কোংগ্রেসতা য়াওখিবগী তরাম্না ওকপগী ফোটো, ভিজ্যুয়েলনচিংবদি পাউচে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদা ফোঙখিবনা কনাগুম্বা অমত্তনা খঙদে, উদে হায়না লৈথোকপা য়ারোই। অদুবু মখোয় মরিগী মথক্তা স্পিকরনা করি থবক লৌখৎলক্কদগে হায়বদুদি কনামত্তনা খঙবা ঙমদ্রি।

মীখল ময়াগী অনৌবা পোলিটিক্সকী ওইবা মশক মওং কয়ামরুম উবা ফংলবা মতমসিদা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা দিসক্কালিফিকেসনগা মরী লৈনবা কেস তরুককী জজমেন্ট লাউথোকখ্রে। স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলনা ঙরাং ৱায়েল পীখ্রবা কেসশিং অদুদি, কিম গাংটেনা তৃনামূল কোংগ্রেসকী এম এল এ, আই ইবোহলবীগী মথক্তা কুমজা ২০১৪ দা থাঙ্গৎলকখিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস নম্বর ৮, চহী অসিমক্তদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা এম এল এ, টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস নম্বর ৯, কুমজা ২০১৪ দা এম এল এ, টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা এম এল এ, টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস নম্বর ১০, চহী অসিমক্তদা এম এল এ ওইনাম লুখোইনা এম এল এ, টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা থারকখিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস নম্বর ১২ কুমজা ২০১৪ দা এম এল এ, কে শরতনা এম এল এ, টি ঐচ শ্যামকুমারদা থাঙ্গৎলকখিবা কেস নম্বর ১১ অমসুং কিম গাংটেনা এম এল এ, টি ঐচ শ্যামকুমারদা চহী অদুমক্তদা থাঙ্গৎলকখিবা কেস নম্বর ১৩ নি। কেস তরুকমক্কী তোঙান-তোঙানবা মরম পীজরবসু মরু ওইনা চেন্নরিবা এম এল এ অনী হায়বদি টি ঐচ শ্যামকুমার অমসুং ডা. আই ইবোহলবী দিসক্কালিফায় তৌনবগী মরম লৈতে হায়না নাখে শেংনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মখোয় অনীগী মথক্তা থারকপা কেস তরুক অদু কক্লে হায়না লাউথোকখ্রে। অদুমকপু হৌজিক হৌজিক স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা দিসক্কালিফিকেসনগা মরী লৈনবা কেস অহুমগী ৱায়েলদি লাউথোক্ত্রি। ৱায়েল লাউথোক্ত্রিবা কেস অহুম অদুদি এম এল এ, কে শরতকী মথক্তা এম এল এ, টি ঐচ শ্যামকুমারনা থারকখিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস, লোক জন্ন শক্তি পার্টিগী এম এল এ করাম শ্যামগী মথক্তা লন্নাই মীওই অমনা থারকপা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস অমসুং এম এস সী পি হুন্দোক্লল্লগা পার্টি অসিগী এম এল এ পুন্নমক কোংগ্রেসতা চোংশিনখিবগী মায়োক্তা থারকখিবা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিংনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি স্পিকরনা তারকপা ৱায়েল য়ানিংদবা লৈরগদি হায় কোর্টতা শিংনবা য়াই। অদুবু দিসক্কালিফায় তৌরক্তে হায়দুনা স্পিকরগী রুলিংদা কোর্টতা শিংনবদি তৌনদে। মীখল ময়াদা চথরকপা লাল্লোং অমসুং মরী লৈনবশিংনা ফনা য়াম্না পেন্দ্রবসু হৌজিক্কী ওইনদি স্পিকরগী ৱায়েল অসি মীচং-মীখায় নাইদবা ৱায়েলনি হায়না লৌবা তাবনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### সাহিত্য হায়বা অসিগা ৱাহন্থোক মান্নবা মীতৈলোনগী ৱাহৈ থিবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মালেমগী** মীওই ফুরুপ কয়ানা ঙাঙন-শন্নবা, ওয়-য়েৎ শুনা শীজিন্নবা য়াবা লোনশিংগী মরক্তা মীতৈলোনসু অমনি হায়বসি মীতৈলোন শীজিন্নবিরিবা মীওইশিংনা খন্থবা মতম য়ৌরে হায়জনীংই। মসিগী মরম অমতং খুদম ওইনা য়েংমিন্নবা য়াবদি, মালেম ইমানা লৈনা লৈনা চৎপা খোঙচৎতা য়েংলগা শেমখিবা, চয়োলগী নুমিৎশিংগী মিং অমদি থা তরানিথোইগী মিংশিং ইংলিস, হিন্দি, বংলানচিংবা লোনশিংদা লৈবগুম মীতৈলোন্দসু লৈরল্লিবা অসিনি। অদুনদি ইংলিসতা লিটরেচর অদুগা হিন্দি, বংলানচিংবদা সাহিত্য হায়রিবা ৱাহৈ অসিগা ৱাহন্থোক মান্নবা ৱাহৈ অমা মীতৈলোনগী ৱাহৈদসু লৈফম থোকই। ৱাফম অসিদা ৱাখল লুপ্পিঙৈদা নীংশিংহৌদবা য়াদবা অমনা অইবা ৱারোল খুদিংগী লিটরেচর নৎত্রগা সাহিত্যনি হায়নদে। খুদম অমতং পুশিঞ্জরক্কে "উগী উকাদা ৱাংনা শাৎপা খোঙ্গুল মৈলৈ" হায়রবসু য়াববু, কবি খ্বাইরাকপম চাউবনদি অসুম্না হায় "মৈলৈ লৈসনা নোংজুস্পাল কাদাম্বদি লৈনুংশি"। অহানবগী ৱাহৈ খরা অসিনা খূৎ থিল্লিবসু পোৎশক অমখক্তদা ওইরবসু, অহানবগী মফোঙদোক অসিনদি ইচম চম্বা লৈ অমা ওইনা উহল্লি। অদুগা, অকোনবগী মফোঙদোক অসিনদি নীংথিজবগী মতিক ময়াই চেনবা লৈ অমা ওইনা উহল্লি। মসিননি অইবা ৱারোন খুদিংমক লিটরেচর নৎত্রগা সাহিত্য ওইবা য়ারোই হায়নরিবসিসু।

মথক্কী ৱারোল খরা অসিগা লোয়নননা হায়জনীংবদি - মীতৈলোন শীজিন্নদুনা ৱা ঙাঙবীরিবা অমদি মীতৈলোন শীজিন্নদুনা ইবগী লমদা খূৎ থাবীরিবা কনাগুম্বা-কনাগুম্বীশিংগী মরক্তা লিটরেচর নৎত্রগা সাহিত্য হায়বা অতোপ্পা ফুরুপ খরগী মীওইশিংনা শীজিন্নবা ৱাহৈ অসিগা ৱাহন্থোক চপ মান্নবনি খন্দুনা - কনাগুম্বনা 'খোরিরোল', কনাগুম্বনা 'পুদিন' অদুগা কনাগুম্বনা 'লোয়নসিল্লোন' অসুম্না, অমগা অমগা মান্নদবা ৱাহৈ শীজিন্নবা থেংনৈ। মতাং অসিদা ৱাহৈ অহুম অসিগী অমগা অমগা ৱাহন্থোক খেন্নবা অদু নৈনদুনা য়েংমিন্নসি - খোরিরোন হায়বসিগী ৱাহন্থোকপু অসুম্না লৌশিনবা য়াই -১) কনাগুম্বা লমহেন তুহেনবা মীওই অমনা কনাগুম্বা মীওই অমগী পুন্সি মহিংবু শীংনদুনা য়ৈখায়-থিনগায়বা পীরকপগীদমক লৈবাক্কী ৱায়েন-লোইশঙদা ৱাকৎপগী খূৎইরোন। ২) ইমুং কয়ামরুমনা শন্দোক্তুনা লৈখ্রবা শাগৈ অমগী মীওইশিংনা মখোয় মখোয়বু পোকপা পাশিং অদু অমগা অমগা পোকমিন্নদ্রবসু পোকমিন্নরবসু, মমাঙথক্কী মীরোন্দা লৈরম্বা পু অমদগী শন্দোরকখিবনি হায়বদুগী মরী মখোঙ উৎতুনা ইবা, পুদিন হায়বদুগী খূৎইরোন। অরোইবদা, ময়ামদগী থোইদোক হেন্দোকপা মীশক অমগী নৎত্রগা মফম অমগী মতিক ময়াই থাদুনা ইবা খূৎইরোন। অসুম্না, তোঙান তোঙানবা হীরমদা শীজিন্ননবা ইবা তোঙান তোঙানবা খূৎই-কাঙলোন অসিবু শুপচিল্লগা খোর্জৈলোন/খূৎইরোন/খোরিরোন হায়বসিগী ৱাহন্থোক্কি হায়বদা চুশিন্নরোইদবগী মরম লৈরোই হায়জনীংই। অদুগা লোয়নশিল্লোন হায়বসিগী ৱাহন্থোক্তি, ৱাহৈ য়াল্লবসু য়ামদ্রবসু ৱাহৈশিং অদু নুংদসু ফজবা ৱাহন্থোক পুবা অদুগা পান্দসু লৈতেংনা য়োম্বা মফোঙদোক ওইগদবনি। মতাং অসিৱাইদনি লোয়নশিল্লোনগা, পুদিন অমদি খোরিরোনগগী মরক্তা খেন্নরক্লিবসি। মতাং অসি য়ৌরকপদনি - লোয়নশিল্লোন হায়বা ৱাহৈ অসি, লিটরেচর নৎত্রগা সাহিত্য হায়বা ৱাহৈগা নুংগী ৱাহন্থোক মান্নবা ৱাহৈ ওইবদা লাল্লোইদ্রা হায়জরিবা। পঞ্জরিবা ৱাফম অসিবু ৱাখৈবা ৱারেপ অমগীদমক, মীতৈ-ময়েক হায়রগা খঙনবা, লমদম অসিগী ময়েক ওইনসু চৎনরিবা ময়েক অসিবু খূৎ থিদুনা তাকপা পুয়া ওইরিবা অদুগীসু মথক্তা পুয়াশিংগী পুকোক্কি হায়নসু থাজনরিবা "ৱাকোকলোন হীলেন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক" কৌবা পুয়াদা মায়পুনবা মিৎয়েং অমা থম্বীয়ু হায়জনীংই। হেন্না চুশিন্নবা ৱাহৈ অদুগী য়াইফনবা মীয়ামগী মায়ওন নীজরি।

*অদোমগী - গোপেশ্বর ঔগ্রিথেনবা, চন্দ্রখোং*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১। মখাদা পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) পুনেম্বা (খ) পুম
২। 'চিট্টাগোং রিপোর্টর' উপন্যাসকী অইবদু কনানো?
৩। 'পাউখুম্না হংলি' করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪। 'হি ঈরাকপা' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# সনামহী লাইনীংগী হোলি বুক -১

**— ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ —**

*পোইরৈ* লমদম অসিগী সনামহী লাইনীং চৎচবশিংগী ওইবা অশেংবা পুয়া/লাইরিক (হোলি বুক) অমা থম্নবগী অপাম্বা অসিনা ঐখোয় ময়াম্বু চিং-চিংদুনা থেঙ্খাং কয়া সুম খন্ন-খন্নদুনা লাকপনা কুমজা ১৯৯২ দা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ (এল এস টি বি) না শিন্দুনা ফমখিবা মীয়ামগী মীফম অমনা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা পুয়া ময়াম অমা খন্ন নৈনরবা মতুংদা অখন্নবা পুয়া মরিখক য়েৎনবা য়াবা য়েৎনরবা মতুংদা খনগৎখিবা, মদুগী মতুংদা ওজা অয়েকপম তোম্বনা লুচিংদুনা হায়রিবা পুয়া ৪ দুগী মনুংদা পুয়া অমখক হায়বদি 'ৱাকোকলোন হিলেল থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া' বু মীতৈগী হোলিবুক ওইনা লাউথোকখিবা, মদুদগী অমুক হন্দক এল এস টি বিনা নৌনা শিন-লাংদুনা সনামহী লাইনিংগী হোলি বুক অমা ফোঙননবা হায়দুনা এক্সপার্ট কম্মিটি অমদি এদিটোরিএল বোর্দনচিংবা শেমদুনা পুয়া মখল ১৫০ হেনবদগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিং অমদি তাংখকশীং নৈনদুনা থবক কন্না চঙশিল্লকপা অমদি হোৎনরীবা অসি 'মৈতৈ" খক্তগীনি হায়না মীতৈ কাঙবুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা অসিনচিংবা খোঙচৎ কয়া, থৌদোক-ৱাথোক কয়া অসিদা লৈবাক মীয়ামসু অমুক্তং মীৎয়েং চঙবীদুনা পূন্না অমুক্তং নৈনমীন্নদুনা মীয়াম্না য়ানবা অরেপ্পা অমা পুরকপা মথৌ তাব্রা হায়না খল্লি।

কুমজা ১৯৯২ দা পুয়া ১২ দগী ৪ খনগৎপা অদুদদি লৈবাক মীয়ামগী ওইবা মফম হায়বদি এল এস টি বিগী শঙলেন্দা ফমদুনা ফুরুপ কাঙলুপ কয়াগী মীওইশিং য়াওরদুনা ৱারেপ্লখি হায়না রেকোর্দ তৌনৈ। অদুবু কুমজা ২০০৯ দা তেরাগী চিলদ্রেন হোমদা ফমদুনা পুয়া মরি অদুগী মনুংদগী পুয়া অমখকপু নৌনা অমুক খনগৎখিবা মীফম অদুদনা ফুরুপ কাঙলুপ কয়াদগী মীহুৎ ওইনা কনা-কনা য়াওখিবগে হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না শোয়দনা খঙনীংলমগনি। কুমজা ১৯৮৮ দগী ১৯৯২ ফাওবদা মীফম ৩১ রক এল এস টি বিদা ফমদুনা পুয়া ১২ গী মনুংদগী পুয়া ৪ খক খনগৎখিবা অদুগী মনুংদগী খমলাংবা ইরেং পুৱারী নত্তনা অতৈ লাইরিক অহুম [(১) ৱাকোকলোন হিলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া (২) ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া (৩) শাকোক থিরেন] অসিদি হন্দক এল এস টি বি নৌনা থৌরাংলিবা হোলি বুক ইবগী থবকসিদা য়াওদে হায়না হন্দক ওজা ইবোমচানা পাউচেগী খুত্থাংদা ফোঙদোকপীরক্লিবসি লৈবাক মীয়াম্না তরাই তরাইনা হেক লৌবদি চুমলোই। মখোয়গী (মীতৈগী) লাইরিক অহুম অসি এল এস টি বিনা খনগৎলক্তবগী মরম ওইবা য়াবশিং (ঐনা খঞ্জবা) অদুদি (১) লৈবাক্কী অখঙ-অহৈ ময়াম অমা কুপ্না তান্নরগা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা ফোঙখিবা 'A catalogue of old Manipuri Manuscripts হায়বা পুয়াশিংগী মরমদা ইবা লাইরিক অদুদা হায়রিবা পুয়া অহুমসি য়াওদবনা তুংগী মীরোলদা ৱাহং কয়া হংলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা এক্সপার্ট কম্মিটি অমদি এদিটোরিএল বোর্দনা হোলি বুক্তা হাপচিনহৌদবা ওইগদ্রা হায়বসিসু নৈননিঙাই ওইরি।

হায়রিবা পুয়া অসি একাদেমিনা দোক্যুমেন্টেসন তৌবদা য়াওরমদবগী মরম্না করিনো হায়বসিসু থিদোক্তবা য়ারোই। নৎত্রগা (২) লৈখিদ্রবা ওজা অরাম্বম হৈরাংঙৌনচিংবা মীওইশিংনা পুথোকপা ৱাকোকলোন পুয়াশিংবু কন্না য়ানিংদবগী ৱায়েৎ কয়া, লাইরিক অমদি দোক্যুমেন্ট কয়া লৈবনা মীয়াম্না য়েৎনরিবা পোৎশিংদি হোলি বুক অসি য়াওহনখিরোইসি হায়নগা এল এস টি বিনা ৱারেপ লৌখিব্রা? অদুনদি হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা তাকপদি ইরমদমসিদা মৈতৈগী হোলি বুক অমা মীতৈগী হোলি বুক হায়না তোঙান তোঙান্না লৈরকপগী মওংনি। অসুম্না হোলি বুক অনী শুরকপসিদি খৃষ্টেনিটিগী বাইবলদা ওল্ড টিষ্টামেন্ট অমদি ন্যু টিষ্টামেন্ট হায়না অনী শুবা অদুগা মান্নগদৌরিব্রা? অদুগা ৱাফম অমনা মৈতৈসু নত্তবা মীতৈসু নত্তবা/পামজদবা অতৈ য়েক-সলাইচাশিংগীদি অমুক কমদৌবা? মখোয়গীসু তোঙান তোঙান্না হোলি বুকশিং ইন্নরকপগী মওং লাক্কদরা হায়বসিসু চিংনদবা ঙমদে। চাক চগ্রিং অমনা চেংকোক অমা পুল্লপ মাংথোকই হায়বা ইপা-ইপুগী ৱাফম লৈরবসু য়াম্না তাঙনা ফংলিবা পুয়াশিং অসিবু মীরোল খরা য়াওরম্মী হায়দুনা পুয়াশিংদু ঐখোয়গী নত্তে হায়দুনা হেক্তা হুন্দোকপসিদি তৌফম থোক্তব্রা হায়না নীংই। খোইতক-খোইতক লেংঙু, নিংথৌ য়াননবা, থনমদ্রবদি লৈহৌররোই, চুমথোকপা মীওই লাকখিগনি হায়না মাইচৌ অহলশিংনা মচা-মনাওশিংদা পাউতাক কয়া পীখিবা অদুগা হায়জরুরবদি ঐখোয়গী পুয়া পূম্বা ফিজুম হঞ্জিন-হঞ্জিন থাদুনা শেংদোকপা মথৌ তারি। মী অয়াম্বনা য়ানরবা লাইরিক্তুনী ঐখোয়না 'হোলি বুক' ইরোন্দা 'পুয়া' হায়না খঙনগদৌরিবসি। ঐখোয়গী হোলি বুক অমা শেম্বা তারবদি তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা মচাকশিং অদু য়াওবা পুয়াশিংদগী শৎকৎতুনা নিংথিনা লেঙশিনবা, হেন্না মশক-মচু থোল্লবা, মতিক ময়াই হেন্না হাপ্লবা লাইগী ওইবা পোৎ অমা ওইগদবনি হায়না খল্লি। নৌনা ইবদি লাইরিক কৌগনি পুয়ানি হায়না লৌবা য়াদে হায়রবদি করম্বা মতমদা ইরম্বা লাইরিকশিংবু পুয়া কৌগদগে হায়বসিসু পূন্না অমুক্তং লেপথোকমীন্নবা অমা চঙলি।

মালেমগী য়াইফনবা অমদি থৱায় পানবা পান্দবা, অচৎ-চৎত পূন্নমক্কী কান্নবতা ওইরবা লাইরিক অদুদি ইবগী মতম য়েংলুদ্রবসু পুয়ানি হায়না অদুম লৌবা য়ারব্রা হায়নসু খল্লি। মীয়ামগী পূক্লিং ৱাখলগী অমম্বশিং কোকহনবা ঙম্বা অমদি ঐখোয় পূন্নমকপু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবা ঙম্বা লাইরিক্তু নত্তবা মীয়াম্না রিফরেন্সসু অমত্তা লৌবীদবা লাইরিকশিংদি ঐখোয়গী পুয়ানি হায়না লৌফম থোক্তব্রা হায়না খল্লি। নৌনা ইবদি পুয়া কৌবা য়াদে হায়রগদি পুয়াসু নত্তবা কুমজা ১৯৩০ গী মতুংদা লাইনিংহল ফুল্লোনা ইবিরম্বা শকোক থিরেনবু এল এস টি বিগী হোলি বুক্তা য়াওহন্নবা ওজা সাইরেম নিলবীরদা শিন্নে হায়না সাপম পারি, মেম্বর সেক্রেটরি এক্সপার্ট কম্মিটি (পুয়া) না রেকোর্দ তৌখি হায়না ওজা ইবোমচানা নীংশিংবীরকপা অসিনা মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না চমন্নবা পোকহল্লে।

লৈথক লৈখা পুয়াগা খল্লাংবা ইরেং পুৱারীগা পুয়া অনী অসিদি পুয়া মশা অমত্তনি হায়নসু অখঙ অহৈশিংনা ইতৎ-তৎতনা হায়। অদুগা এল এস টি বিদনা হোলি বুক্কীদমক ওজা বিধুনা ইরেং পুৱারী ইরগনি অদুগা ওজা অশোককুমারনা লৈথক লৈখারোল ইরগনি হায়না ওজা পারি খুমন্না রেকোর্দ তৌই হায়রিবসিনা কমদৌবা? নেসনল অর্কাইবনচিংবদা চে অমদি মুক্নচিংবগী চাংয়েং তৌরগা পুয়াগী অরি-অনৌ অমদি মতিক-ময়াই, ৱারী-ৱাখোঙনচিংবা কয়া লেপথোকপসি অদুম য়ারব্রা হায়বসিসু নৈনবা য়াবা মতাংনি। লৈবাক্কী অখঙ অহৈ কয়ানা মাগী মাগী ৱাখল-লৌশীং পুথোক্লদুনা হোলি বুক্কী criteria কয়া এল এস টি বিদা খূৎশিন্নখিবশিং অদুদা য়ূম্ফম ওইদ্রগা মতৌ করম্না অদুক য়াম্বা পুয়া ১৫০ হেনবদগী এদিটোরিএল বোর্দনা হোলি বুক্কীদমক কন্সল্ট তৌখি হায়রিবনো?

করিগুম্বা পুয়া অদুক য়াম্বদুদগী মচঙ ওইবা/মচি ওইবা মতাংশিং শৎকৎলগা অমদি ফিজুম থারগা শেম শাবা হোলি বুক ওইরবদি লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা criteria শিং অদুদা শোয়দনা য়ূম্ফম ওইরমগনি হায়নসু লৌবা য়াই। এল এস টি বিগী ৱারেপ মতুং ইন্না মশাগী য়ূমগী অমদি অতৈ অতৈ থবক্কা লোয়নননা হুন্দোক্লল্লগা পূন্না নুমিৎ ৪৬৩ (চামরি হুম্ফুহুমদোই) চঙনা হোলি বুক ইননবা হোৎনবদা খ্বাইদগী অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা ওজা খরদা অৱামল ওইনা তৌবিমল খঙবা উৎপা ওইনা খূৎশুমল খরা খরা পীখিবা অদুদা ওজা ইবোমচানা পুয়া অহুম ইখৎতুনা লানখিবগীদমক লুপা অমা ফাওবা ওজানা এল এস টি বিদগী লৌখিদবা অসি য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি।

সনামহী লাইনীং চৎচবশিংগী অশেংবা লাইরিক অমা শেম্নবা এল এস টি বিনা অশিন অরাং ওইদুনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসিবু মৈতৈ সেক্সন খক্তগীনি। মীতৈগীদি য়াওহনবীদ্রে, বোর্দ অসি অচান-মীরাই নাইরে, মপু পান্দবগা মান্নরে হায়বনচিংবা ৱাকৎ কয়া লাক্লিবসিদা এল এস টি বিনা তুমিন্না শুম লৈথোকখিবসি য়াম্না ঙক্লিংঙাইনি। মীয়াম্না পাম্বা criteria শিংদু নমশিল্লগা মীওই খরনা পাম্বা পোত্তা হোলি বুক ইরে হায়রিবসিবু বোর্দনা অদুম য়াজরব্রা? খরনা শেল লৌই খরনা লৌদে হায়না ৱা কাংথোক্লরক্লিবসিবু এল এস টি বিনা মনুং মপান নাইবা থবক কয়া তৌখিব্রা হায়না মীয়াম্না হংনরক্লবদি করি খুমগদৌরিবা? ৱারবসু ৱানা হোলি বুক অসিবু কয়াম কুইনা ঙাইখিদৌরিবগে সনামহী লাইনীংলোইশিংনা?